# লমদমসিগী আর্ট মখলশিং মালেমদা মশক তাকপদা কলচরেল গ্রুপশিংনা থৌদাং লৌমিন্নসিঃ জি ধর্মদাস

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (এস এন এস)ঃ লমদমসিগী আর্ট মখলশিং মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকপদা কলচরেল গ্রুপশিংনা পুকচেল শেংনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্তর জি ধর্মদাস শর্ম্মানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেঙবাং (সি এম এ টি) স্কিমগী মখাদা শ্রীশ্রী পতিতা পাৱননা নত্য মন্দির কৈশামথোং হোদাম লৈরকনা পুথোকপা 'করাগার' হায়না মিংথোনবা প্লে প্রদক্সন উৎপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

হোম লৈরক্তা লৈবা মন্দির অসিগী মান্দপদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা ধর্মদাসনা হায়, আর্ট এন্দ কলচর লমদা থবক তৌরিবা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংবু মখোঙ শোমদুনা য়োকখৎনবগীদমক লৈঙাক্না সি এম এ টি স্কিম অসি হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী কান্নবা লৌদুনা লমদম অসিগী আর্ট মখলশিংবু মালেমগী মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা কলচরেল গ্রুপশিংনা পুকচেল শেংনা থৌদাং লৌমিন্নসি। লমদম অসিগী আর্টিষ্ট অমদি কলচরেল গ্রুপশিংবু হিংনবগী মশেক মঙাল পীনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্নমক্না লৌফম থোকপা থৌদাং লৌসি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল থল্লদুনা শ্রীশ্রী পতিতা পাৱননা নত্য মন্দিরগী প্রোজেক্ট দিরেক্তর বি জুগোল চন্দ্র শর্ম্মানা হায়, মণিপুর কলচরগী শরুক অমা ওইরিবা ত্রেদিসনেল থিয়েটর ফোর্মগী তোঙান তোঙানবা মশকশিং য়োকখত্তুনা থম্বগী পান্দমদা প্লে প্রদক্সন প্রোগ্রাম অসি সি এম এ টি স্কিমগী মখাদা মতেং পীরক্তুনা পুথোকপনি। স্কিম অসিনা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংদা অনৌবা মঙলান অমদি থৌনা পীবগী মমি চাউনা তারি হায়খি।

থৌরম অদুদা থিয়েটর সেন্তর মণিপুরগী সেক্রেটরী খোইস্নাম রনবীর, শ্রীশ্রী পতিতা পাৱননা নত্য মন্দিরগী প্রসিদেন্ট অরিবম সনায়াইমা শর্ম্মা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# 'মণিপুরদা চৎনরিবা ব্লেক লো মুত্থৎকদবনি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা চৎনরিবা ব্লেক লো মুত্থৎকদবনি। খুন্দামিন্নরিবশিং ইচিন ইনাও ওইবগী চপ চাবা ফিরেপ লৌমিন্নগদবনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ভাইস প্রসিদেন্ট প্রিকেশ্বর মোইরাংথেমনা ফোঙদোকখ্রে।

৬১শুবা চাক্লাম খোঙচৎকা মরী লৈননা থা অমা চুপ্পা চত্থগদবা রিজেনরেসন মন্থকী শরুক অমা ওইনা পরিং নাইনা চত্থরকপা একাদেমিক কেম্পেইনগী ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বেথেল স্কুল, নম্বোল স্পেসিয়েল রিগুলার ইংলিশ স্কুলনচিংবা মফমশিংদা কেম্পেইন অসি চত্থদুনা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

সেল্ফ রিলাইন্ট মণিপুর হায়বা থিমদা চত্থখিবা একাদেমিক কেম্পেইন অদুদা প্রিকেশ্বর মোইরাংথেমনা মহৈরোইশিংদা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীয়াম্বু নমথদুনা থল্লিবা অসি য়ারোই হায়বা খঙহনগদবনি। মহৈরোইশিংনা অমত্তা ওইনা খোল্লাও লাউবা চঙই। মসিদা নত্তনা মীতোপনা পোৎ-চৈগী মমল লেপহল্লোইদবনি। ঐখোয় ইশানা ইরৈবাক ইরমদমগীদমক চপ চানা লেপচনবা থৌদাং লৌগদবনি। মণিপুরদা চৎনরিবা ব্লেক লো মুত্থৎহনগদবনি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবশিং ইচিল ইনাও ওইবগী চপ চাবা ফিরেপ অদু লৌমিন্নবা মতম ওইরে হায়খি।

তোঙান তোঙানবা মহৈশঙ অনীদা চত্থখিবা একাদেমিক কেম্পেইন অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরী য়াওনা মহৈরোই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে সেলেব্রেসন...

*ঙরাংগী মখা...*

মসি পুন্না য়েংলুরগদি মণিপুর (কংলৈপাক) না জিওপোলিটিক্সকী লাননা হোংহল্লক্লিবা মলেম অসি মণিপুর (কংলৈপাক) মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইবা ঙমগনি হায়বসিনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অঙনবা মতমদা এসিয়াদা হাইনা হুম্না পাল্লম্বা চহী লিশিং অনী হেন্না মশাগী অইবা পুৱারী লৈজবা মণিপুর (কংলৈপাক)পু ১৯৮১গী এঙ্গলো মণিপুর (কংলৈপাক) ৱারদা মায়থিদুনা বৃটিশনা ঙাকপীবা লৈবাক (প্রোটেক্টোরেট ষ্টেট) অমা ওইরকখ্রবা মতুংদা চৈচৎ ১৪ ওগষ্ট ১৯৪৭দা মণিপুর (কংলৈপাক)না বৃটিশকী মখূত্তগী মনিং তম্বা অমুক ফংখি। ১৯৪৭গী জুলাই ২৬তা চৎনবা হৌখিবা মণিপুর (কংলৈপাক) ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্টকী মখাদা১৯৪৮তা তাঙ্কক মরি (জুন ১১, ১৮ অমসুং জুলাই ২৬, ২৭) থোক্লা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীখল (য়ুনিভর্সেল এদল্ট ফ্রেসাইজ) না শেমখিবা মণিপুর (কংলৈপাক) নেসনেল এসেমব্লি (পার্লিয়ামেন্ট) কী ১৯৪৮গী ওক্টোবর ১৮দা ফমখিবা অহানবা মীফমদা মণিপুর (কংলৈপাক)গী কন্সটিট্যুসনেল হেদ ওইখিবা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা মণিপুর (কংলৈপাক)কী পাক চাওবা অসি ১৫,৬৫০ স্কৱার মাইল (৪০,৫৩০ স্কৱার কিলোমিটর) নি হায়বা ৱাফম মালেমগী মীয়ামদা থমখি। ঙসিনা ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়ার্সনা মণিপুর (কংলৈপাক) গী লমখৈ অমুক পীকথনবা হোৎনরি। মণিপুর (কংলৈপাক) কী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অসি ইন্দিয়ানা মণিপুর (কংলৈপাক) পু ১৯৪৯দা লোই চন্দুনা থল্লিবা লৈবাক অমা ওইরিবনিনা মালেমগী ৱায়েল কাংলোন অমা ওইরিবা 'উটি পোসিদেটিস জুরিস'কী মতুংইন্না থুগাইবা ঙমদে। *(মথং মথং)*

# ১৩ ওগষ্টকী য়াইফ পাউজেল...

*লমায় ১গী মখা...*অথৌবা মচাশিংনা নীংতম্বা অমসুং জষ্টিস ফংনবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎলি। বির তিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেল অমসুং অতৈ অথৌবশিংগী থৌনা অদুনা মীরোল কয়াদা লৈবাক নীংবগী থৌনা হাপ্তুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইপা ইপুশিং অদুনা মরৈবাক নুংশিবগীদমক উৎখিবা থৌনা লিংজেল কয়া অদুবু ঙসি ফাওবা শক শোন্নরিবনি। মখোয়গী ৱাখল্লোন অমসুং লৈবাক নুংশিবা অদু ঙসিগী মীরোলনা তুং ইন্দুনা চাওখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা মণিপুর অমা লাকপা ওইরসনু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতা, দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন অমসুং হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# নেসনেল বিল্ডিংদা অপূনবগী থৌদাং ...

*লমায় ১গী মখা...*

থানা শরুক য়াশিন্দুনা চাওথোকচবা অমগা লোয়ননা য়ুমথোং খূদিংদা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল চীংখৎপা হায়বসি তঙাইফদে। ইশাগী য়ুমদা লৈবাক অসিগী ফিরাল থেৎপা হায়বসি চুন্নখক্কী কুঙ্কে অমখক নত্তে। লৈবাক অসিগী মীওই অমা ওইনা নেসন অসিগা লৈরিবা মরী অদু ফিরাল চীংখৎপা অসিনা উৎকদৌরিবনি। মরম অদুনা মীয়াম পূন্নমক্লা য়ুমথোং খূদিংনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চীংখৎতুনা নেসন বিল্ডিংদা অপূনবগী থৌদাং উৎমিন্নসি। মপুং ফাবা লৈবাক অমা ওইহনবদা মীপূম খূদিংমক্কী থৌদাং লৈ হায়বসি খক কাওরোইসি।

মহাক্লা হায়, চহী অসিদা পাঙথোকপা কম্মনৱেল্থ গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা চাওনা মায় পাক্লক্তুনা ষ্টেট অসিগী খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা অসিমক চাওথোকচনিংঙাইনি। মণিপুরগী ষ্টেট সোং ওইরিবা 'সনা লৈবাক মণিপুর'গী ফজবা অমদি নীংথিজবা মশক মতৌশিং শৈথাদুনা গভর্ণরনা লমদম অসিগী ক্রিএটিভ ওইবা আর্টিষ্ট অমদি ম্যুজিকসিয়ানশিংবুসু থাগৎনা ফোঙদোকখি।

থৌরম মপূগী ৱারোল থল্লদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল থেৎতুনা ইন্দিয়ান অমগা ওইবগী চাওথোকচবা অদু উৎমিন্নসি। ওফিস অমদি স্কুল খক্তা নত্তনা লমদম অসিগী য়ুমথোং খূদিংদা মচু অহুমগী ফিরাল থেৎসি। ঐখোয় পূন্নমক ইন্দিয়াননি হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মাঙদা অদুগা ঐখোয় মণিপুরনি হায়বসিনা অনীশুবদা থমদুনা লৈবাক অসিগী য়াইফনবগীদমক পূন্নমক্লা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। ঙসি পাঙথোক্লিবা তিরঙ্গ কন্সর্ট অসিনসু লাইনিং লাইশোন অমদি ফুরুপ কাংলুপকী খেন্নবা কয়া লৈরবসু ঐখোয় পূন্নমক ইন্দিয়াননি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি হায়খি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী ষ্টেট সোং ওইরিবা সনা লৈবাক মণিপুর হায়রিবা ঈশৈ অসিবু কুমজা ১৯৬৭দা মীয়ামদা খুদোল তমদুনা মঙফাওনহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা রুপ রাগকী হৌজিক হিংলিবা আর্টিষ্টশিং অমদি লৈখিদ্রবা আর্টিষ্টশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওনা ঈশৈ ময়েক ইরম্বা অমদি কম্পোজরবু গভর্ণরনা তরান্না ওক্তুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি।

মণিপুরগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখো, হোম মিনিষ্টর কোন্থৌজম গোবিন্দাস, আর্ট এন্দ কলচেরল মিনিষ্টর খুরাইজম লোকেন য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভর্চুয়েলগী খুত্থাংদা মণিপুরগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরন নেমচা কিপগেনসু শরুক য়াখি।

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি অমদি এম এল এশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না শ্রী শ্রী বালমুকুন্দ দেব ম্যুজিক কোলেজগী আর্টিষ্টশিংনা পেত্রিওটিক সোং কয়াসু মীয়ামদা খূদোল তমখি। লোয়ননা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিনা মীয়ামদা পুক্লিং শুমহৎনিংঙাই ওইরবা কোরিওগ্রাফিক প্রজেন্টেসেন অমসু উৎখি।

# ওগষ্ট ১৩দা হৈকৎ লৈকৎ তম্বীয়ু ওগষ্ট ১৫না...

*লমায় ১গী মখা...*

কুমজা ১৮৯১ দগী বৃটিষ্টকী মখাদা অৱা চৈথেং কয়া নংলবা মতুং, ১৪ ওগষ্ট ১৯৪৭দা কংলৈপাক (মণিপুর)বু অমুক হন্না নীংতম্বা কংলৈপাক (মণিপুর) অমা ওইখি। নীং-খা তন্না চহী লিশিং ২ হেন্না পুৱারিগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর) অসিবু অমুক হন্না কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা নম্ফুদা কংলৈপাক (মণিপুর)বু ইন্দিয়াদা তীনহনখি।

লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী মখাদা লৈখ্রবা মীকুপ অদুদগী ঙসি ফাওবা অৱা চৈথেং, মীকপ মীরাওখোল অমদি হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন তৌদুনা লাক্লি। কংলৈপাক (মণিপুর)বু নমশিন্দুনা থম্বা অমদি য়েলহৌমীশিংবু মুত্থৎপা হায়বসি মখোয়গী লিচৎনি। ইরৈচাশিংনা ঙসি ঙসিমক অৱাবা কয়া মায়োক্লুরিবা ২০২৩গী মে ৩দগী চত্থরক্লিবা ইন্টরনেল কনফ্লিক্ট অসি নার্কো টেরোরিষ্টশিংবু খূনেক ওইনা শীজিন্নদুনা কংলৈপাক (মণিপুর)তা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংবু খাইবুং খাইবুং তাহন্নবা হোৎনরিবা অসি লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী ফৎত্রবা লাল্লোংনি।

মাঙখ্রবা নীংতম্ববু অমুক হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা চঙই। য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা নীংতম খোল্লাও লাওমিন্নরসি। লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী ১৫ ওগষ্ট ২০২৬, ৮০শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে সেলেব্রেসন অসিবু বোইকোট তৌবগা লোয়ননা কংলৈপাক (মণিপুর) শীন থুংনা পুং ২৪গী টোটেল সটদাউন তৌরগনি। বোইকোট অমদি টোটেল সটদাউন অসি ওগষ্ট ১৪গী অহিং নোংয়াই পুং ১২.০০দগী ওগষ্ট ১৫গী অহিং নোংয়াই পুং ১২ ফাওবা চত্থগনি।

হায়রিবা নুমিৎ অসিদা ইরৈচাশিংনা য়ুম য়ুমদা লৈবিয়ু অমদি টোটেল সটদাউন অসিবু সপোর্ট তৌবিয়ু। মেদিয়া, থৌদোক-ৱাথোক, মৈ-ঈশিং, অনা-অয়েক্কা মরী লৈনবশিংগী ওইনদি টোটেল সটদাউন অসিদা কোনশিল্লোই হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# খূৎলায় পায়বশিংনা তোকপা লিয়াংমাই খুলদা...

*লমায় ১গী মখা...*

খুঞ্জাশিংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিগৎনবা অমদি খুঞ্জাশিংগী চেকশিন থৌরাংগীদমক থবক পায়খৎনবা তকশিল্লক্লি। লোয়ননা থা অসিগী ১২গী অয়ুক ফাওবদদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনষ্ট্রেসন, মণিপুর পুলিস অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগীদি য়ুম মৈ থাবগী থৌদোক থোকখিবা অদুগী মতাংদা ওফিসিয়েল ওইবা ষ্টেটমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদে হায়নসু ইন্দিয়া টুদে নোর্থ ইষ্টনা ফোঙবা পাউ অমনা মখা তারি।

অমরোমদা, তোকপা নাগা খুলগী য়ুম ৯ লোম খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহন তাকহল্লম্বগী থৌওং লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিল মণিপুর অমদি নাগা খুল ৯গী ভিলেজ ওথোরিটিশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চম্পাই ব্লোক্কী তোকপা নাগা ভিলেজ অমদি অকোয়বদা লৈবা নাগা খুল ৯গী ভিলেজ ওথোরিটিশিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১১গী নুমিদাংগী পুং ৯.৩০ রোম তাবদা তোকপা নাগা ভিলেজদা খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চঙলক্তুনা য়ুম মৈ থারম্বগী থৌওং অকনবা মওংদা য়ানিংদে। মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা ফংলকপা পাউগী মতুং ইন্না মতিক চানা খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্ট খূৎপু অমা তোকপা খুলদা চঙলল্লগা চর্চ অমা য়াওনা মী লৈনবা য়ুম ৯ মৈ থাদোক্তুনা মাঙহন তাকহল্লমখিবনি। মসিগী মথক্তা কুকি খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং অদুনা ফু চৈবা তৌদুনা মীওই ৪দগী নোংমৈ চিন্দোলদা মোবাইল ফোনসু লৌশিনখিবনি। মীচম মীয়ামগী লন-থুম মাঙহন তাকহনবগী থৌওং অসি অকনবা মওংদা য়ানিংদে। অথুবা মতমদা থৌওং অসি চত্থবদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি। লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না থীন্থবা তৌদনা য়ুম মৈ চাকখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা ইমুং মনুংশিংদা মথৌ তাবা রিলিফ ফংহনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

অমরোমদা লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিলগী মেদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু তোকপা নাগা খুলদা য়ুম মৈ থারম্বগী থৌওং কন্দেম তৌবগা লোয়ননা চেন্নবা মীওইশিং অথুবদা ফাগত্তুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অককুবা মতমগী মনুংদা ময়েক শেংবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থগদবনি। লোয়ননা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা সেক্যুরিটিগী ওথোরিটিশিংনা কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোন ঙাক্লা ময়েক শেংবা থৌদাং লৌগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# ২২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা...

*লমায় ১গী মখা...* পাউজেল পীরক্লি।

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লান্মী শঙলুপ 'মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল)গী মিলিটরি এফেয়ার্স কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, ওগষ্ট ১৩, ২০২৬ নুমিৎ অসি ১৮৯১দা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাকপদা থৱাই কৎখ্রবা অথৌবশিংগী ১৩৫শুবা নীংশিং কুমওননি, নুমিৎ অসি কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লান্মী শঙলুপ 'মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল) লিংখৎখিবগী ২২শুবা মপোক কুমওন থোক্লে। নুমিৎসিনা লাকপদা কে সি পিগী মিলিটরি এফেয়ার্স কম্মিটি (এম এ সি) না ১৮৯১ গী মণিপুরগী নীংতম্বগী লান্দা থৱাই কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্না ইকাই খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা কংলৈপাক্কী অমদি ৱেসিয়াগী য়াওল লান্থেংগীদমক থৱাই কৎখ্রবা য়াওল লান্মীশিংগী মফমদা য়াওলগী ইকাই খুম্নবসু উৎলক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি ঙসিমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লমহেন তুহেনবা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং নেক্তুনা চত্থরিবা খূনেক্কী লান (প্রোক্সি ৱার) অসিদা মণিপুর ইমাগীদমক থৱাই কৎখ্রবা অথৌবা। অথৌবীশিংবু নীংশিংজরি। মখোয় পুন্নমক্কী মফমদা য়াওলগী ইকাই খুম্নবা উৎলি। লোয়ননা য়েক্লবগী মীওৎ মীনৈদা শোয়নাইদুনা লৈরবশিং, কৈশুমশঙদা ঐখোয়গী য়াওলগীদমক ফাদোক তারিবশিং, ইশাগী ইরমদমদা ঙসি লাঞ্জেন্নদুনা লানগী অৱা চৈথেং নংলিবা ইরৈচা পুন্নমক্কী অৱাবদসু কে সি পি (এম এ সি) না শরুক য়ারি। (মথং মথং)

# লোৎশিন্দুনা থমহৌরিবা নোংমৈশিং পীখৎপিয়ু ...

*লমায় ১গী মখা...*

থমহৌবা, চীং অমদি তমগী ইচা-ইশূ, ইচিল-ইনাও খুদিংমক্লা এমঃএলঃএ গী খুত্থাংদা অমদি মণিপুর পুলিসকী এসঃপি শিংগী খুত্থাংদা ওইবিগেরা, খূৎলাইশিং পীখৎলক্কদবনি। নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা নোংমৈ পীথোক্তুনা থম্বশীং সেক্যুরিটি ফোর্সেস অমদি ষ্টেট পুলিসনা ফাবা তারবদি আইনগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎলগনি।

মহাক্লা হায়, কুমজা ২০২৩গী মেগী ৩দগী থোক্লকখিবা ৱাথোক অদুনা মণিপুর অসি অদুক্কী মতিক চোকথরবা, অমগা-অমগা উনবা য়াদবা, চথোক-চৎশিন য়াদবা খুনাই অমা ওইরে। অদুবু, মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল লাক্লবা মতুং, তপ্পা-তপ্পা কম্যুনিটি অনিগী ইরাং অসি লাকশিনখিবনি। মণিপুরদা অনৌবা লৈঙাক অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪দা শেমখিবনি। সরকার অসি শেম্বা মতমদসু উংখৎনরম্বা ফুরুপ অনিদু তুমিন্না ফোন্দা ৱারী শারবসু, তুমিন্না দেল্লিদা ৱারী শারবসু, গুৱাহাটিদা ৱারী শারবসু, উন্নরগা ফোটো অমফাও নম্মীনসি য়াখিদবা থাক অমদা লৈরম্মী। অদুবু, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংনা মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা থৌদাং লৌমিন্নরবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা অতোপ-অতোপ্পা কম্যুনিটিশিংগা ৱারী শান্নরকান্দা, তপ্পা-তপ্পা চঙবা য়ারকপগী তাঙ্কক অমা লাকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা তঙদু-লৈতাবা পুরক্লবগী পান্দমদা মহাক্কী অহানবা জিরিবাম খোঙচৎপু নৌহৌননা ফোঙদোক্লদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়, জিরিবামদা কুকি, মার, মৈতৈ, মৈতৈ-পাঙ্গলশিংনা পূন্না ফম্মিন্নদুনা শান্তি পুরকপা নত্তনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিনা দিভেলপমেন্ট লৈরোই অদুগা ঐখোয়গী তুঙগী হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক খনগদবনি। লোয়ননা ঐখোয়গী তুঙগী মীরোলগীদমক খল্লগা ঐখোয়গী লমদম অসিদা শান্তি পুরক্লসি হায়দুনা পূন্না কাঙলুপ খুদিংমক্লা শরুক য়ামিন্নদুনা চাক্লেন অমা চামিন্নদুনা ফমিন্নখিবা অদু অহানবা কম্যুনিশিংগা পূল্লগা উন্নবা য়াবা ষ্টেজ অমখক লাকখিবনি হায়না শ্রী খেমচান্দ সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়, মথং-মথং এম এল এ শিংনসু তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা তোঙান-তোঙানবা কম্যুনিটি লিদরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা কান্দা শান্তিগী লম্বীদা লাকপদি হৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

সরকার অসি শেল্লবা মতুং, চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৫দগীনা ঙসি ফাওবদা সেক্যুরিটি ফোর্সেস, মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফল্স, বি এস এফ অমদি ইন্দিয়ান আর্মিনা ফাগৎলকপা অমদি মশানা য়ানা পীথোরকপা খূৎলাইশিং অসিনা তাকপদি, মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্না শান্তিবু পামজে, মখোয়না শান্তিবু হঞ্জিল্লকপা পামজে হায়বসিনি।

দি জি পি মুখেসনা লুচিংবা মণিপুর পুলিসকী টিম, আসাম রাইফল্স, বি এস এফ অমদি নেস্নেল আমর্দ ফোর্স শিংবু থাগৎলদুনা শ্রী খেমচান্দ সিংহনা হায়, ঐখোয়না ফনা মীয়ামগী মনাক্তা অমদি মরক্তা চৎলবসু, অসুক য়াম্না ফারিবা নোংমৈশিং অসি লৈহৌবা তারবদি নোংমৈ মরু অমনা ইরাং অসি অমুক হৌরকপা য়াবগী ওইথোকপশিং অদু সেক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনা লাকশিন্দুনা সরকার অসিনা পাল্লিবা শান্তি রক্ষাগী থবক্তা মাঙলোমদা চঙশিনবসু ঙম্লে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চিফ মিনিষ্টরনা হায়, তেনখ্রবা মতম, থা তরুক অসিদা নোংমৈ মশীং অসি ১,৪২২, লাইভ এম্ম্যুনিসন ৭,০১০ অদুগা এক্সপ্লোসিভ ১,১৩৭ ফাগৎপা ঙম্লে। খোমগৎলিবা, ফাগৎলিবা, পীখৎলিবা খূৎলাই ময়াম অসিনা লম্বী অমা ওইরগা শান্তিগী লম্বীদা চঙশিনবদা সরকার অসিনা অচৌবা মায় পাকপগী লম্বী অমা ওইরক্লবসিনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কন্ত্রোভর্সি অমদি ক্রাইসিস লৈরিঙৈ মতম অসিদা নেস্নেল হাইৱে অতোপ্পা অমমুক বণ্ড তৌশিল্লকপা অসিদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অহিং তুমদবমখৈ, অহিং-নুংথিল খাক্তনা মণিপুর প্রজাশিংগীদমক চান-থক্লবগী পোৎলমশিং অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা পুরক্লিবসি, মসিগীদমক সেক্যুরিটি ফোর্সশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হোম মিনিষ্টর শ্রী গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা আইনগী ৱাংমদা থবক তৌরিবশিংদা চেকশিন ৱারোল পীরদুনা হায়, নেস্নেল হাইৱেশিংদা ত্রান্সপোর্টরশিংদা নমদুনা শেল খায়রিবশিং, অৱাবা পীবা অমদি কিহন-খনহনবশিং, কনাগুম্বা লনাই মীওই অমদি লূপশিংগী মথক্তা এন এস এ পানদুনা অকনবা থবক পায়খৎলগনি।

থৌরম অদুদা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর শ্রী লোসি দিখো, আর্ট এণ্ড কলচর অমদি টুরিজম মিনিষ্টর শ্রী টিঐচ লোকেন সিংহ, এমঃএলঃএ শিং, সেক্যুরিটি এদভাইজর শ্রী কুলদিপ সিংহ, দিজিপি মণিপুর শ্রী মুখেস সিংহ, আইজিএআর (সাউঠ), আইজি বিএসএফ, সিআরপিএফ, আইটিপিবি গী মকোক থোংবা ওফিসারশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিং লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা শরুক য়াখি।

# লন্নাই ওইগেরা লুপ ওইগেরা হায়ৱে থীংবা...

*লমায় ১গী মখা...*

লৈরিবা মীয়াম খক নত্তনা চীংগী মীয়ামদসু তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলশিং ফংদবগী অৱাবা পোৎলুম কয়া নংলি। মসি য়ান্না লাইবক থীবা অমনি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা কুপ্পা খন্নদুনা ওইরিবা ফিভম অসি লাকশিন্নবা কন্না হোৎনরি। নেসনেল হায়ৱেশিংদা ওইরিবা ফিভম অসি কোকহন্নবা কন্ত্রোল ওফ নেসনেল হায়ৱে (লেন্দ এন্দ ট্রাফিক) এক্ট ২০০২, রিগুলেসন ওফ হায়ৱে ট্রাফিক এন্দ রিমুভেল ওফ অনওথোরাইজ ওক্যুপেসন ওর ফিজিকেল ওবষ্ট্রেক্সনগী মখাদা নোটিফিকেসন অমা অথুবা মতমদা থোক্লগনি। নোটিফিকেসন অসিগী মতুং ইন্না হায়ৱেদা লো কায়না শেনখায় থুমগাই তৌরিবা অমদি অয়েৎ অপন পীরিবশিং ফংবগা লোয়ননা এন এস এগী মখাদা দিটেন তৌনবা হোৎনরগনি। মসিদা নত্তনা ষ্টেট অসিদা প্রিভেন্সন ওফ দেমেজ টু পব্লিক প্রোপরটি এক্ট ১৯৪৮ অথুবা মতমদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়, খেন্নব কয়া লৈরগসু ঐখোয় মশেল অমুক্তং পুনশিন্নরগা ৱারি ৱাতাই শান্নদুনা লমদম অসিদা তঙদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপ খূদিংমক্লা অমগা অমগা মতেং পাঙনদুনা য়াইফবা লমদম অমা ওইহনমিন্নসি। ঐখোয়না য়ারিবমখৈ তোকঙাদা থাজরোইসি। পাউ অমা ফোঙদোকপা মতমদসু মদুদা কয়ামুক য়ান্না চুম্লবগে হায়বসু ভেরিফিকেসন তৌমিন্নসি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# লাইব্রেরিগী তোখায়বা দিরেক্টোরেট ...

*লমায় ১গী মখা...* ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা প্রোফেসর এস লনচেনবনা হায়, মণিপুরগী ওইনা লাইব্রেরিগী তোখায়বা দিরেক্টোরেট অমা থমদ্রিবা ফাওবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স অসি মপুং ফানা চাওখৎহনবদা ৱানা থোক্কনি। লৌশিং পুক্কে হায়বসি লুন্না লৌফম থোকই। লাইব্রেরি হায়বা অসি মীওইবা খুন্নাইগী লৌশিং পুক্কে অমনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদসু লাইরিক্কী ইহৌ শাগৎপা মথৌ তাই। লাইরিক য়াওদবা খুন্নাইদি থোঙনাও ফাৎতবা য়ুমগুম্বনি। লাইব্রেরি লৈতবা লমদম অমা হায়বসি ৱাখৎল খন্থনবা কোক্কী মচাক য়াওদ্রবা খুন্নাই অমগা পাঞ্জকনি। মরম অদুনা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী ষ্টাফ মশিং ৱাৎপা য়াওনা লৈরিবা ইশুশিং মরী লৈনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা তোখায়বা দিরেক্টোরেট অমা থন্নবা থবক পায়খৎপা মথৌ তারে হায়খি। আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্টর জি ধর্ম্মদাস শর্ম্মনা থৌরম মপু অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লাইব্রেরিয়ান ডা. টি ঐচ খোমদোন্না অখন্নবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# হর ঘর তিরঙ্গা যাত্রাগী খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২(এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা পাঙথোক্লিবা হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইনগী মনুং চন্না ঙসি পাৎশোই এ সিগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকিশোর (কেব) না লুচিংদুনা এম এল এগী তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা মহাক্কী য়ুমদগী হৌদুনা কেন্দ্র অসিগী মীওই কয়াগা লোয়ননা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা হর ঘর তিরঙ্গা যাত্রাগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অসি তেরা খুরাইজম লৈরক ফাওবা চৎলবা মতুং মহাক্কী ময়ুমদা অমুক হল্লকখি।

খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা এম এল এ সাপম কুঞ্জকিশোরনা হায়, হর ঘর তিরঙ্গা পাঙথোকপা অসি ভারত মচা অমা ওইনা নুংঙাইবা ফাওই। অসিগুম্না নুমিৎ অসিদগী মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক নুংশি চান্নগা হান্নগুম লৈমিন্নবা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

মসিগী ৱাহন্থোক অসিনা হায়রিবদি ভারত অসি ঐখোয় পুন্নমক্কীনি দিভিজন খাইদে, ঙাইহাক শাওনবা খৎনবা চৈনবা হায়বা অসিদি ঐখোয় ঐখোয়গী ইমুং মনুংদসু অদুমক থোকই। থোকখিবা থৌদোক পুন্নমক ঐখোয় অমগা অমগা কাওথোক্লবা হোৎনসি, রুলস ওফ লো লৈরিবা অসিদা ঐখোয় পুন্না মতেং পাঙমিন্নসি হায়খি।

# ফ্রি আই চেক-অপ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২(এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খোঙহামপাৎ খুনৌদা কেরিয়ার ইংলিস একাদেমিদা ফ্রি আই চেক-অপ কেম্প পাঙথোকখ্রে।

কেরিয়ার ইংলিস একাদেমি অমদি সিজ আই কিয়ার ফাউন্দেসন, সিজ হোস্পিটালগা পূন্না খূৎশন্নদুনা পাঙথোকখিবা ফ্রী আই চেক-অপ কেম্প অদুদা মহৈরোই অমদি মমা-মপা য়াওনা পূন্না মীওই ৫০০ হেনবনা আই চেক-অপ কেম্পগী খুদোঙচাবা ফংখি।

ঙসি চত্থখিবা ফ্রী আই চেক-অপ কেম্প অদুদা ভিজন টেষ্টিং, রিফ্রেক্সন চেক, আই প্রেসর চেক, রেটিনা ইভালুয়েসন, জেনরেল আই হেল্থনচিংবা তোঙান তোঙানবা মখলগী মীৎকা মরী লৈনবা টেষ্ট কয়া পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পূন্না মীওই ৩০ হেনবদা শিল্লি লাংলিবশিংগী মায়কৈদগী লেন্না অনোকসু য়েন্থোকখি।

# এস্কোর্ট পীবা পীদবা নিংথৌকাবদগী...

*লমায় ১গী মখা...* পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা মহাক্লা হায়, মণিপুর মীয়ামগী তঙাইফদ্রবা পোৎলম কয়া পুদুনা ইম্ফাল তন্না লাকপা গাড়ী অমা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা পন্দুনা লৈরকপদা অৱাবা তারবা দ্রাইভরশিংগী পুন্সি অরুবা ফিভমদা লৈরে। মণিপুর লৈঙাক্লা মপুং ফাবা সেক্যুরিটি পীবা ঙমদবদগী লম্বী মতাইদা মতম শাংনা পন্দুনা লৈরকপদা অৱাবা খাঙবা ঙল্লক্তবদগী বিহারদগী নাগিন্না কুমার মহতা কৌবা দ্রাইভর অমা গাড়ী মনুংদা শিন্দুনা লৈরম্লে। লৈখিদ্রবা দ্রাইভর অদু সিলচর দ্রাইভর য়ুনিয়ননা কন্না হোৎনদুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ইমুং-মনুংদা শীন্নবা কন্না হোৎনরি। হায়রিবা থৌদোক অসি মণিপুরগী মীয়ামগী অমসুং দ্রাইভর য়ুনিয়ন অমসুং তোঙান-তোঙানবা সোসাইটিশিংগী অপুনবা লুপ ওইরিবা টি দি সিনা নুঙাইতবা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা নুংঙাইতবা থৌদোক অসি মতুং তাবদা থোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক পায়খৎতুনা পন্দুনা লৈরিবা গাড়ীশিং ইম্ফাল য়ৌহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

অমরোমদা, মমাঙদা হায়নখিবগী মতুং ইন্না পন্দুনা লৈরিবা গাড়ীশিং অসি ইম্ফাল য়ৌহল্লক্লবা নুমিৎ মরিনিগী মতম থাখিবনি। হায়রিবা নুমিৎ মরিনি অসি লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইরে। নুমিৎ অসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতিক চাবা স্কোর্ট পীদুনা জিরিবামদা পল্লিবা গাড়ীশিং ইম্ফাল য়ৌহন্নবা হোৎনদ্রবদি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী স্কোর্ট পীবা পীদবা গাড়ীশিং ইম্ফাল তন্না থৌজিল্লক্লগনি। ফিরেপ অসি মণিপুরদা লৈরিবা ট্রক দ্রাইভর্স অমসুং ওন্নরশিংগী অপূনবা ফিরেপ অমগী মতুং ইন্না লৌরকপনি হায়খি।

# পুলিসকী এক্সনসিদি ইমু...

*লমায় ১গী মখা...* কনফরেন্স হোলদা লৈরিঙৈ ট্রেনিং হৌরমদাইদা জে এফ দি ষ্টুদেন্ট ৱিংগী থৌমীশিং লাক্তুনা ট্রেনিং অদু পাঙথোক্তনবা হায়খিবগা লোয়ননা শরুক য়াগদবা মীওইশিং কনফরেন্স হোলগী মপান্দা থোকহল্লগা হোল অদু ছো লোনশিনখিবনি। ছো লোনশিল্লবা মতুং নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা ৱারোল ইবা প্লেকার্দশিং কোলেজগী ফক্লাং অমসুং গেটতা থেৎচিন্দুনা প্রোটেষ্ট চত্থখি।

ট্রেনিং তৌহন্দ্রে হায়বা পাউ তাবদগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী ও সি অমদি কম্মান্দোগী কাঙবু লাক্তুনা জে এফ দি ষ্টুদেন্টস ৱিংগী থৌমীশিংবু তান্নরগা ফাজিনখি। ফাজিনখ্রবা খোঙজংলোইশিং অদু নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা পুরক্লবা মতুং ফোর্মেলিটিজ কয়া পায়খৎলবা মতুংদা তেক্তা কায়দনা থাদোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদা লৈবা ৱাল ক্লবতা জে এফ দিনা অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মফম অদুদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়, মণিপুরদা এন আর সি তৌদ্রিঙৈ সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়না জে এফ দিনা লিশাং শীৎনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। হৌজিকসু মখা তানা থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা ৱালস ক্লব অসিদা অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লি। জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোলদা লৈবা এস কে ৱিমেন কোলেজকী মহৈরোইশিংনা খোঙজং চঙশিনবদা পুলিসকী মায়কৈদগী মহৈরোইশিংদা চত্থখিবা থৌওং অদু য়ানিংদে। চঙশিনখিবা খোঙজং অদু ষ্টেট অসিগী তুংলমচৎকীদমক্তনি হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক্লা অমদি পুলিসশিং খরমখৈদি খন্থহন্নিংই। থা অসিগী ১৭তগী হৌগদৌরিবা সেন্সসকী থবক অসি তৌগদৌরিবশিংনসু ষ্টেট অসিগী তুংলমচৎকীদমক খল্লগা শরুক য়াবিগনু হায়রদুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩ ওগষ্ট অথৌবশিংগী নুমিৎ অসিদা মণিপুর কন্নবা খোঙজংদা শরুক য়াবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা নুমিদাং পুং ৭ তগী ৮ ফাওবা মৈরা রেল্লি চৎতুনা মণিপুর কন্নবা খোল্লাও য়াওনা নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাওবিয়ু হায়না মীয়ামদা অপিল তৌরক্লি।

# হুরানখিবা ক্রিএতা ফংলে...

*লমায় ১গী মখা...*ফংবা ঙমখিবনি। গাড়ী অদুগী ইঞ্জিন নম্বরনা জি ৪ এফ এল আর ভি ৭৬০২৯৭ অদুগা চেসিস নম্বরনা এম এ এল পি বি ৮১২টি আর এম ৭৬৮৬২৬* দিনি হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

# মরী লৈনদে হায়না ...

*লমায় ১গী মখা...*মশিগী লান্মী শংলুপ এম পি এগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরি লৈনদে। কনাগুম্বা মীওইশিংনা য়ুএনএলএফ শাশিন্নদুনা, লুপ অসিগী মীং শিজিন্নরগা শেনখাই-থুমখাইগী থবক তৌরম্লবদি মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়না কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী সেক্রেটরি ওফ পব্লিসিটি এম শক-হেননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

# ক্রোর ১.৯৯গী লন-থুম ই দিনা...

*লমায় ১গী মখা...*

অদুগী হেনদোক্তুনা ক্রোর ১.৯৯ গী প্রোপর্টি লেপশিনবগী খুদম চাংদমশিং ফংখি হায়রি। অরানবা মওংদা শেল-তানবশিং অদু ফাগৎলক্তুনা মহাক্কী নুপীগী মপাদা থম্বা অমদি শেনফমশিং অদু বেঙ্কতা দিপোজিৎ তৌদুনা সৈখোলেন কিপগেন অমদি সৈখোলেন কিপগেনগী লোইনবী য়াওনা তোঙান তোঙানবা একাউন্টশিংদা হাপচিনখিবগী রিপোর্ট ফংলে হায়রি। অসুন্না খূত্থাং অমদগী খূত্থাং অমদা শেনফমশিং অসি ত্রান্সফর তৌনদুনা সৈখোলেন কিপগেনগী নুপীগী মিংদা লম লৈশিনবা অমদি রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিংশিং শাগৎপগী থবক পায়খৎলকপনি। হায়রিবা প্রোপর্টিশিং অসি সৈখোলেন কিপগেনগী মমিংদা লৈবা অমা অমদি মহাক্কী নুপী ভাহনৈথেম লুসি কিপগেন অমা য়াওরি। লোয়না হায়রিবা শেনফমশিং অসি সৈখোলেন কিপগেনগী নুপীগী মপানা গীফ্ট ওইনা পীরকপগী মওংদা মালহন্নবা থৌরাং পায়খৎলম্বনি হায়বগী রিপোর্টশিং য়াওরি। মরম অদুনা হায়রিবা থবকশিং অসি পি এম এল এ ২০০২গী মখাদা প্রোসিদ ওফ ক্রামি চিংবা মরন্না মহাক্কী প্রোপর্টিশিং অসি ফ্রিজ তৌবনি অমদি মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন পায়খৎলি হায়না চেরোল অদুনা পল্লি।

# অমিত শাহ: ওপোজিসননা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীগনি রাহুল গান্ধী: পাউখুম পীবগী মহুৎ হোম মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্কদবনি




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
জুলাই ২০দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা সি জে পিনা শিন্দুনা ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা চথবা খোঙজং দা পুলিসনা খোঙজংলোইশিংগী মথক্তা চথখিবা কাহেনবা থৌওংগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী তাল্লিবা দিমান্দশিংগী মতিকচাবা পাউখুম পার্লিয়ামেন্টতা পীনবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা পাউখুম পীবগী মহুৎ হোম মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্কদবনি হায়না ওপোজিসনননা লুচিংবা কোংগ্রেসকী রাহুল গান্ধীনা হায়খ্রে।

নুমিৎ কয়ানিগী মমাঙদগী ওপোজিসন পার্টিনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ইসু কয়াগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ পার্লিয়ামেন্টতা লাক্কুনা মতিকচাবা পাউখুম পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা চংশিল্লকখিবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম মপুং ফানা চথবা ঙমদনা লাকখিবা অদুগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা লৌবা অখন্নবা ইন্টরভ্যু অমদা হিরম অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ফমদুনা চপ চাবা পাউখুম পীননবগীদমক শেম শাদুনা লৈ। মরম অদুনা ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিংনা হাউসতা লাক্কুনা দিবেট এন্দ দিস্কসন চথসি। হাউসতা মরুওইবা ইসু কয়া খন্নবা হায়বা অসি হাউসকী লৈরিবা প্রোসিদিংগী চৎন কাংলোনগী মতুং ইন্না চথগদবনি। হায়রিবা চৎন কাংলোন অসিগী মখাদা দিবেট এন্দ দিস্কসন তৌদুনা ওপোজিসননা তাল্লিবা দিমান্দ অদুগী মতিকচাবা পাউখুম পীননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা অমিত শাহনা পার্লিয়ামেন্টতা লাক্কুনা ওপোজিসনননা তাল্লিবা দিমান্দগী পাউখুম পীননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা রিজেক তৌরকখ্রে।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী পাউখুম পীরদুনা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা মহৈরোইশিংগী মথক্তা পুলিসনা চথখিবা কাহেনবা থৌওং অদু কনানা য়াথং পীদুনা চথখিবনো। দিল্লি পুলিস অমদি আর এ এফ অসি হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈরিবনি। হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা য়াথং পীখিবা লৈখিব্রা। করিগুম্বা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা য়াথং পীরম্বা লৈরবদি মহাকপু চৈরাক ফংলোইদবগী মরম লৈব্রা। করিগুম্বা মহাক্না য়াথং পীরমদবা থোক্লবসু মহাকপু মশাগী মথৌ মশক খঙদবা মীওইনি হায়রোইদবা লৈতে। হিরম অনিমক্তা অমিত শাহ ইচেনদা চৈন্নে। মরম অদুনা অমিত শাহনা হোম মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌগদবনি হায়না রাহুল গান্ধীনা মখা তানা ফোঙদোরকখ্রে।

# অরুনাচল প্রদেশ ইন্দিয়াগী মনুংচনবা শরুক অমনি হায়না চাইনাদা নৌনা পাউখুম পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
অরুনাচল প্রদেশ লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারস (এম ই এ) গী স্পোক্সপার্সন রন্ধির জয়স্বালনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি অরুনাচল প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফম ২৭ ইন্দিয়ানা নৌনা মিংথোনবা অমদি জিওগ্রাফিকেল ফিচর য়াওবা মেপ অমা ফোঙখিবা অদুবু চাইনানা রিজেক্ট তৌরকখ্রবা মতুং চয়োলগী ওইনা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরমদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসকী স্পোক্সপার্সন রন্ধির জয়স্বালনা ফোঙদোকখিবনি।

অরুনাচল প্রদেশ ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়বা অসি মশাগী ইভিদেন্স লৈজবা কনাগুম্বা অমত্তনা ককপা ঙম্লরোইদবা ৱাফম অমনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর দিনেস ত্রিবেদি অমদি বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অসিদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা বঙ্গলাদেশকী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনা বঙ্গলাদেশতা থারক্লবা তকশিল্লকখি হায়বা ৱাফম অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসকী স্পোক্সপার্সন রন্ধির জয়স্বালনা হায়, লৈবাক অসিগী হায় কমিস্নার অমদি বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর টরিক রেহমনগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদুদা নাকল অনিগী লৈরিবা ইন্টরেষ্টশিং অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা অমদি মতেং পাংনবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। লৈবাক অসিগী হায় কমিস্নার অমদি বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শান্নবা অদুদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিট অসিদা বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিয়াদা লাক্কুনা শরুক য়ানবা তকশিনখি।

শৈখ হসিনাবু লৈবাক অসিদগী বঙ্গলাদেশতা থাখিবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মশাগী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ লৈজে। লৈবাক অসিগী লৈরিবা চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না শৈখ হসিনাগী মতাংদা মথৌতাবগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱারেপ লৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবা নৎতনা অতোপ্পা অহেনবা ৱাফম অমত্তা রন্ধির জয়স্বালনা ফোঙদোকখিদে।

# এফ সি আর এ বিল জোইন্ট কম্মিটিদা সিন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
ট্রেজরি অমদি ওপোজিসন বেঞ্চতা ফল্লিবা মেম্বরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মরাল শীনদুনা চরাংনবা থোক্লিঙৈ চৈরক্তা ৱাথোক ওইরিবা এফ সি আর এ এমেন্দমেন্ট বিল মখা তানা খন্ননবগীদমক পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা লৈঙাক্না শিন্নখ্রে।

অদুগা দিবেট অমদি দিস্কসন পাঙথোকপা তৌদনা মাইনস এন্দ মিনরেল দিভলপমেন্টগা মরী লৈনবা এমেন্দমেন্ট বিল লোক সভাদা পাস তৌখ্রে।

# ‘ওপোজিসনগী থৌওংনা নিংবা কায়হল্লে’



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসনননা চথরিবা থৌওং অসিনা মরম ওইরগা নিংবা কায়রে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরুওইবা ইসু কয়াগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা পুখোক্কুনা খন্নসি হায়না ফোঙদোকপা লৈরবসু ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী নাথৈদুনা চেন্দুনা লৈরে। পার্লিয়ামেন্টকী লৈরিবা দেমোক্রেসিগী মতুং ইন্না দিস্কসন তৌনবা ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী দিমান্দ তৌগদবনি অদুগা লৈঙাক্না পাউখুম পীবগী চৎনবী অমসু লৈরিবনি হায়না কিরেন রিজিজুনা পাউমীশিংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

# লোক সভাগী পেনেল কম্মিটি: য়াম্লবা পৈশা কয়া ফংখিবগী কেসতা জষ্টিস যসৱান্ত মরাল লৈরে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
জষ্টিস যসৱান্ত বর্মাগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা মশিং থিঙমদবা য়াম্লবা শেনফম কয়া ফংখিবগী মতাংদা লোক সভানা কনষ্টিট্যুট তৌদুনা শেমখিবা পেনেল কম্মিটিনা চথরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা জষ্টিস যসৱান্ত বর্মাবু মরাল লৈরে হায়না লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা ফাইন্দিং রিপোর্ট থমখ্রে।

লোক সভাগী পেনেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী পার্লিয়ামেন্টতা পীশিনখিবা ফাইন্দিং রিপোর্ট অদুদা মশিং য়াম্লবা শেনফম কয়া মশাগী ময়ূমদগী ফংখিবা অদুগী মতাংদা জষ্টিস যসৱান্ত বর্মানা মথৌতাবা পাউখুম পীবা ঙমখিদে। য়াম্লবা শেনফম ফংখিবগী মতাংদা চথরকপা ইনভেষ্টিগেসনদা ফংখিবা মেটরিয়েল ইভিদেন্স কয়া নিংথিনা সেকিওর নৎত্রগা প্রিজাব তৌদুনা থম্লমদবগী মথক্তা য়াম্লবা শেনফম ফংখিবা জষ্টিস যসৱান্ত বর্মাগী ষ্টোর রুমসু কাং-খোং চাইদুনা থম্লম্বা থেংনখি হায়বা য়াওরি।

জষ্টিস যসৱান্ত বর্মাগী মথক্তা চথরকখিবা ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্টকী মতাংদা লোক সভাগী ইনক্বারি কম্মিটিনা পার্লিয়ামেন্টতা পীশিল্লকখিবা ফাইন্দিং রিপোর্ট অদু লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা টেবল তৌখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টতা পীশিল্লকখিবা ফাইন্দিং রিপোর্ট অদু ওরেল অমদি দোকুমেন্টরি ইভিদেন্স য়াওবা ভোল্যুম অনিনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী ২০২৫কী মার্চ ১৪গী নুমিদাংদা জষ্টিস বর্মাগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা থোকখিবা মৈহৌ-লাংপোক্কী থৌদোক্তা রেস্ক্যু ওপরেসনগী থবক চথখিবা ফাইয়ার ফাইটরশিংনা জষ্টিস বর্মাগী ষ্টোর রুমদা য়াম্লবা শেনফম কয়া মৈ চাক্কুনা লৈরম্বা থেংনখিবা অদুগী মতুং থৌদোক অসিগী মতাংদা লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক মীওই ৩না শাবা পার্লিয়ামেন্টকী ইনক্বারি কম্মিটি অমা কনষ্টিট্যুট তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরকখিবনি।

অমরোমদা য়াম্লবা শেনফম কয়া ফংখিবা থৌদোক্কী মতুং জষ্টিস যসৱান্ত বর্মানা দিল্লি হায় কোর্টকী জজগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবসু লৈখ্রবনি।

# অখন্নবা খোই মখল অরুনাচলদা লৈরম্বা থেংনখ্রে



টৱাং, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
কোলেটেস ভুতানিকস হায়নসু খঙনবা অখন্নবা মখলগী খোই অরুনাচল প্রদেশকী টৱাং দিষ্ট্রিক্টতা অহানবা ওইনা লৈরম্বা থেংনখ্রে।

অখন্নবা মখলগী খোই অদু জুলোজিকেল সার্ভে ওফ ইন্দিয়া (জেদ এস আই)গী সাইন্টিষ্ট দিবয়াজোতি ঘোস, কে এ সুব্রমনিয়ন অমদি প্রিটি বেনর্জিনা চথখিবা সর্ভেদা থেংনরকখিবনি।

জুলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা সি ভুতানিকস হায়না খঙনবা খোই মখল অসি জিজাং রিজন য়াওনা ভুতান অমদি চাইনাদা লৈ হায়বগী রেকোর্দ কয়া লৈ। অরুনাচল প্রদেশতা খোই মখল অসি লৈরম্বা থেংনখিবা অসি হিমালয়ান পোলিনেটরগী লৈরিবা দাইভরসিটি অসিনা মরম ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# রাম টেম্পলগী ৱাথোক ষ্টেট সবজেক্ট নৎতে, টেম্পল অসিদগী বি জে পিনা রাজনিতিগী ওইবা খুদোঙচাবা কয়া লৌখি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
অযোধ্যাগী রাম টেম্পলদা মীয়ামনা কৎলকখিবা য়াম্লবা শেনফম মফম খঙদনা মাঙখিবগী ৱাথোক অসি ষ্টেট সবজেক্ট নৎতে মসি মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতিকচাবা পাউখুম পীবগী মহুৎ নাথৈদুনা লৈরি। অদুবু লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈ অযোধ্যা রাম টেম্পলদগী বি জে পিনা রাজনিতিগী ওইবা খুদোঙচাবা কয়া লৌখি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন পার্টিনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দনা মরম ওইরগা চরাংনবা থোক্কুনা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম মপুং ফানা পাংথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনা হায়, রাম টেম্পলগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মপুং ফানা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌদুনা লৈবাক মীয়ামদা পাউখুম পীগদবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামদা মতিকচাবা পাউখুম পীবগী মহুৎ নাথৈনবা হোৎনদুনা লৈরি।

ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা মশিং য়াম্লবা নহারোল কয়ানা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াবা খোঙজংলোইশিংবু টিয়ার গ্রাস, পেটে গন কাপ্পুনা অমদি ফু-চৈদুনা তানখায়খি। বিহারদদি খোঙজংলোইশিংগী মথক্তা এ কে-৪৭ ফাওবা শিজিন্নখি।

অদুবু ঙসি ফাওবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাউখুম পীদনা লৈরি। অসিদা নৎতনা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি করিদগী থোকখিবনো কনানা য়াথং পীখিবনো হায়বা ফাওবা থিজিন্দনা নিংঙাইদনা লৈথোক্লি হায়না প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনা ইন্দিয়া লৈঙাকপু মখা তানা মরাল শীরক্লি।

# অসামগী ঈশিং-ঈচাও অসিদা রিহেবিলিটেসনগীদমক লুপা ক্রোর ১,০০০ হেন্না মথৌ তাই: হেমন্তা

গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
অসামদা থোক্লিবা ঈশিং-ঈচাও অসিনা শোকহল্লবা প্রোপর্টিশিং নৌনা শেমজিন শাজিনবগী থবক অমদি রিহেবিলিটেসনগীদমক লুপা ক্রোর ১,০০০ হেন্না মথৌ তাই হায়না চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্বা শর্মনা ফোঙদোকখ্রে।

গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্বা শর্মনা হায়, অসামদা থোক্লিবা ঈশিং-ঈচাও অসিনা অৱা-অনা তারবা মীওইশিংগীদমক মথৌতাবা তেংবাং পীনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌখিবা থা অসিগী ৯দগী এসেসমেন দ্রাইব চথবা হৌরে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঈশিং-ঈচাও অসিদা অসামগী য়ূমথোং ৮,০০০ হেন্না অৱাবা চৈথেং মায়োক্লরি, অদুগা চাওরাক্না লুপা ক্রোর ১৫০ হেনবা মান-চাং মাঙ-তাকখ্রে।

লৈঙাক্না চথরিবা রিলিফ এসেসমেন্ট দ্রাইব অসি লাক্লিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথগনি। অপ্পর অসাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা য়ূমথোং ৬,০০০ রোম এসেসমেন্ট তৌবা ঙমগনি হায়না লৈঙাক্না থাজবা থল্লি। অমাঙ-অতা থোক্লবা প্রোপর্টি রিপিয়ার তৌনবা অমদি রিহেবিলিটেসনগী ওইনা লুপা ক্রোর ১,০০০ হেন্না মথৌ তাগনি হায়না লৈঙাক্তা থাজবা লৈ।

ঈশিং-ঈচাওনা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামগী মথৌতাবা খুদিংমক নরেন্দ্র মোদিনা পীগনি হায়না অসাম লৈঙাক্তা ফোঙদোরকপা লৈ হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।


## ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄꯥ/ DECLARATION

I have passed my Class XII, ALL INDIA SENIOR SCHOOL CERTIFICATE EXAMINATION (AISSCE), in the year 2012 bearing Roll No. 3627574 conducted by the CENTRAL BOARD OF SECONDARY EDUCATION (CBSE). In my Class XII Mark sheet and Certificate, my name has been wrongly recorded as "MOHAMMAD SADAT KHAN" instead of "MOHAMMAD SAADAT KHAN". I have sworn that the name "MOHAMMAD SADAT KHAN" which is written in the Mark sheet and Certificate and "MOHAMMAD SAADAT KHAN" is one and same person vide vide Affidavit before the Oath Commissioner Manipur at Imphal dated the 12th August 2026.

Sd/-
MOHAMMAD SAADAT KHAN
Kshetri Awang Leikai
Imphal East District, Manipur-795008

SL/Jeena/13


# চন্দ্রশেকরননা চিয়ারমেনগী ফম থাদোকখিবগা টাটা গ্রুপ লুপা ক্রোর ২৬,৮০০গী শেনফম মাঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
লৈবাক অসিদা নৎতনা মালেমগী ওইনা মকোকথোংবা কম্পেনি অমা ওইরিবা টাটা সনগী চিয়ারমেনগী ফম এন চন্দ্রসেকরননা থাদোক্লগনি হায়না এনাউন্স তৌখিবগা লুপা ক্রোর ২৬,৮০০ কী শেনফম হেন্না টাটা গ্রুপকী ওইনা মাঙখ্রে।



কেমিকেল, মোটোর ভেহিকল, ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজি, টেলি কম্যুনিকেসন, পৱার জেনরেসন, কঞ্জুমর গুদস এন্দ রিটেল, হোস্পিটালিটি এন্দ ত্রেভেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা থবক তৌরিবা টাটা গ্রুপকী ওইনা ষ্টোক মার্কেটতা চাদা ৪.৮কী চাং হন্থরকখিবনি।

টেজাজ নেটৱার্ককী চাদা ২.৫৮, টাটা কঞ্জ্যুমর প্রদককী চাদা ২.৮, টাটা ই এল এক্স এস আইগী চাদা ২.৫৮ ষ্টোক মার্কেটতা হন্থরক্কুনা টাটা গ্রুপকী য়াম্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম মাঙখিবনি।

চন্দ্রসেকরননা টাটা সনগী চিয়ারমেনগী ফমদগী রিজাইন তৌরগনি হায়না থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মহাক্না রিজাইন তৌবগী ৱারেপ অসি মহাক্না পায়রিবা চিয়ারমেনগী ফম অদু চহী ৫ মখা তানা শাংদোক্লবা লৌবা ৱারেপতা টাটা গ্রুপকী লৈরিবা বোর্দ মেম্বর অমনা শৌগৎলকখিদবা অদুনা মরম ওইরগা লৌবা ৱারেপ অমনি।

পনবা য়াবদি চন্দ্রসেকরন হৌখিবা চহী ১৯৮৭দা টাটা কন্সলটেন্সি সার্ভিসতা ইন্টর্ন ওইনা জোইন্ট তৌরবা মতুং হৌখিবা চহী ৪০ রোম টাটা গ্রুপতা তোঙান তোঙানবা ফম পায়দুনা লাকখিবা মীওই অমনি।

২০১৭গী জনুৱারি থাদগী হৌদুনা টাটা সন্স এন্দ টাটা গ্রুপকী চিয়ারমেন পায়দুনা লাকখিবা মীওই অমনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।






# ইন্দিয়া লৈঙাক্না উমঙ অমদি দিজিটেল লোকরগী খূৎথাংদা দিজিটেল পব্লিক সার্ভিস মায়পাক্না দিলিভরি তৌরি: সেন্টর



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি):
সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী লৈরিবা সার্ভিস অমদি দোকুমেন্ট কয়া উমঙ অমদি দিজিটেল লোকরগী খূৎথাংদা ওনলাইন ওইনা লৈঙাক মীয়ামদা মপুং ফানা দিজিটেল পব্লিক সার্ভিস পীরি হায়না ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অশ্বিনি বৈষ্নোনা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

রাজ্য সভাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অশ্বিনি বৈষ্নোনা হায়, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামবু টেক্নোলোজিগী খূৎথাংদা দিজিটেল এক্সেস মপুং ফানা কান্নবা ফংহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ২০১৫গী জুলাই থাদা দিজিটেল ইন্দিয়া প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখি। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা কান্নবা কয়া লেপ্তুনা ফংহন্দুনা লাক্লি।

হৌখিবা জুলাই ৩১ ফাওবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী লৈরিবা মশিং য়াম্লবা সার্ভিস য়াওনা চাওরাক্না সার্ভস ২,৫৭৫কী কান্নবা উমঙ মোবাইল এপ্পকী খূৎথাংদা লৈবাক মীয়ামদা সার্ভিস পীরি।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী সিয়ার তৌবা দাটা য়াওনা মরুওইবা দোকুমেন্ট অমদি সার্ভিস কয়াসু দিজি লোকরগী খূৎথাংদা মীয়ামদা কান্নবা পীদুনা লাক্লি।

হৌখিবা চহী ৩ অসিদা চাওরাক্না মীওই ১১.৬৬ ক্রোর হেনবনা রেজিষ্টার তৌবগা লোয়ননা ক্রোর ৭৯৮কী সেনফম ট্রাঞ্জেক্সন তৌখিবা লৈখ্রে। দিজি লোকরগী ওইনা মীওই ক্রোর ৭২.৪৩ হেনবনা রেজিষ্টার তৌদুনা চহী ৩ অসিদা মরুওইবা দোকুমেন্ট ৭২.৮৬ লৈবাক মীয়ামনা এক্সেস তৌদুনা কান্নবা লৌখ্রে।


ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুঙ্গং অমদি মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা দিজিটেল এক্সেসকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা কম্মন সার্ভিস সেন্টর লেপ্তুনা এক্সপান্দ তৌদুনা লাক্লি।

জুন ৩০ ফাওবদা গ্রাম পঞ্চায়টকী থাক্তা সি এস সি ৪,০৭,১২২ ফংসন তৌরিবা অসিগী মনুংদা সি এস সি ৭০,০৬৯ ৱুমেন ভিলেজ লেবেল ইন্টরপ্রেনোরশিংনা মায়পাক্না ওপরেট তৌরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সনা-সুদোকু-১০৪৮গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 3 | 4 | 1 | 6 | 9 | 2 | 8 |
| 4 | 6 | 2 | 7 | 8 | 9 | 5 | 1 | 3 |
| 1 | 9 | 8 | 3 | 5 | 2 | 7 | 6 | 4 |
| 9 | 3 | 5 | 1 | 2 | 7 | 4 | 8 | 6 |
| 6 | 8 | 7 | 9 | 4 | 3 | 1 | 5 | 2 |
| 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 5 | 3 | 9 | 7 |
| 8 | 4 | 9 | 6 | 7 | 1 | 2 | 3 | 5 |
| 3 | 2 | 6 | 5 | 9 | 4 | 8 | 7 | 1 |
| 5 | 7 | 1 | 2 | 3 | 8 | 6 | 4 | 9 |

## Crossword # 1115



**Across**
1. Mosque official
5. Recipe directive
10. Competed
14. Computer "food"
15. To do with birds
16. Inventor's starting point
17. X
20. Inflamed
21. It doesn't leave a paper trail
22. Designer de la Renta
23. Short on energy
25. Fitting
28. X
31. Sicilian smoker
32. Doctor's cry
33. Blue cheese feature
37. Dissect a sentence
40. Eight bits, computerwise
41. Eschew
43. Something for the poor
45. X
50. Compulsory HS subject
51. Word with circle or ear
52. Defendant's defense
55. Gump portrayer
57. Stalwart column
58. X
62. Entitle oneself to
63. Movie previewer
64. "The Morning Watch" author
65. Fraction of a newton
66. Sneak --- (look quickly)
67. Bully's prey, in stereotypes

**Down**
1. Twin Falls locale
2. Medieval weapons
3. "--- of the Killer Tomatoes!"
4. It may be under an umbrella
5. Brides follower
6. OR lifelines
7. Pick opening
8. "Action!" preceder
9. Potter's glaze
10. Caesarean section?
11. Devotion, and then some
12. Fish without ventral fins
13. Water gate
18. Sonnet segment
19. Encumbered
23. The housewife in "Diary of a Mad Housewife"
24. Fit to be tied
26. Pain in the neck
27. Apple, plum or pear
29. NASCAR advertiser
30. Margarine container
33. Word with ship or soul
34. Feature of a storied gingerbread house
35. Texan cattle breed
36. Morse tap
38. Talk like a sot
39. Starts to military march?
42. "Nothing ---!"
44. It starts off well
46. Turkey's capital
47. Remove tearaway pants
48. Tracey of TV and film
49. Farm fodder
53. More stark
54. Teed off
56. Frank in a diary
57. Company car, for example
58. Hitched, so to speak
59. X follower
60. Jeanne d'Arc, e.g.
61. Like Willie Winkie

পাউখুম লমায় ৭দা ...




Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com